# ইলেক্সন কম্মিসন অসি লৈঙাক পায়রিবশিংগী মিস্ট্রেস ওইরক্লে ঃ শিব সেনা



সামনাগী এক্সিকুযটিভ এদিটর সঞ্জয় রাউট

***মুম্বাই, মে ৩০ ঃ***

বাই পোলশিংদা ই ভি এম শিং অমসুং ভি ভি পি এ টি মেছিনশিং য়াদবগী ৱাকৎ কয়ামরুম লাকখিবগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন (ই সি) দা পীরকপা চৈফু অমদা শিব সেনানা ঙসি পোল পেনেল, দেমোক্রেসি অমসুং ইলেক্সনশিংবু লৈঙাক পায়রিবশিংগী মিস্ট্রেস ওইরে হায়না চৈখ্রে।

শিব সেনানা মখোয়গী খোঙবু অমসু ওইরিবা অদুগা ওটোক্রেটিভ ওইবা ৱাখল্লোন অমা চেল্লি হায়রিবা বি জে পি না মশাগী কান্নবা মওংদা শীজিন্নবা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই ভি এম) শিংবু অরানবা মওংদা শীজিন্নরে হায়খ্রে। ইলেক্সন প্রোসেসতা মীয়ামগী থাজবা মাঙখিবা হায়বসি দেমোক্রেসিগীদমক খুদোংথিনিঙাইহনি হায়না পার্টি অসিনা ৱার্নিং তৌখি।

ঐখোয়গী দেমোক্রেসি অসি হৌজিক মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা দেমোক্রেসিনি হায়না মখা তানা কৌবা য়াররোই। ই ভি এম শিংনা দেমোক্রেসিবু মাঙহল্লে। হৌজিক শক্তি পায়রিবশিং অসিনা দেমোক্রেসিবু মখোয়গী মিস্ট্রেস ওন্থোক্লে হায়না শিব সেনাগী চেফোঙ 'সামনা' দা এদিটোরিয়েল অমদা হায়খি।

বি জে পি না ই ভি এম শিংদা করপসন তৌরে, ই ভি এম শিংবু মখোয় মশাগী ওইবা হীরমদা শীজিন্নবা য়াবা মওংদা ওন্থোক্লে।

মহারাষ্ট্রগী ভন্দরা–গোন্দিয়া অমসুং পলঘর লোক সভা বাই পোলশিংদা ই ভি এম শিং অমসুং ভি ভি পি এ টি (ভোটর–ভেরিফাইয়েবল পেপর ওদিট ট্রেল) মেছিনশিং টেক্নিকেলগী অশোয়বশিং লৈরে হায়না থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎশিংগী মতাংদা মথক্কী ৱাফমশিং অসি শিব সেনানা ফোঙদোরকখিবনি।

হৌজিক লৈরিবা ইলেক্সন কম্মিসন অমসুং মসিগী মেছিন্নরি গভর্ণমেন্টকী মীনায়শিংগুম্লে মরম অদুনা ইলেক্সন মতমদা ময়াই কাবা য়ু অমসুং পৈশা য়েনবগী ৱাকৎশিং মখোয়না লৌদ্রে। কিহন–খংহনবা থৌওংশিংগী ৱাকৎসু লৌদ্রে।

হৌখিবা চহী কয়ামরুমদগী হৌনা পব্লিক সেক্টর অন্দর টেক্কিং অমা ওইরিবা বি ঐচ ই এল দগী নৎত্রগা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদগী ই ভি এম শিং লৌরম্মী। অদুবু হন্দক্কী অসিদদি মেছিনশিং অদু সুরাটতা লৈবা প্রাইভেট কম্পনি অমদগী লৌখি। মসি চীংননিংঙাইনি হায়না শিব সেনানা হায়খি।

বি জে পি না মেছিনশিং অসিগী মায়োক্তা লৈখিবা মতম অমা লৈরম্মী। হৌজিক লৈবাক পূম্বনা মসিগী মায়োক্তা লৈরে। অদুগা বি জে পি না মসিবু শৌগৎলে। পৃথিবী পূম্বনা ই ভি এম শিংবু য়ানরক্ত্রে অদুগা গভর্ণমেন্ট অসিনা করিগী মসিবু শৌগৎতুনা লৈরিবনো হায়না পার্টিসিনা হায়খি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না ঙরাং উত্তর প্রদেশকী কাইরানাদা পোলিং ষ্টেসন ৭৪ দা মীখল অমুক হন্নবা লাওথোকখি। মহারাষ্ট্রগী ভন্দরা–গোন্দিয়াদা পোলিং ষ্টেসন ৪৯ দা, নাগালেন্দদা পোলিং ষ্টেসন ১ দসু মীখল হন্নবা লাওথোকখি। মদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা বাই পোলশিংদা ভি ভি পি এ টি মেছিনশিং য়ারকখিদ্রবগী মতূংদনি।

# 'চাদা ৯৭ নোং চুদুনা চহী অসিদা নোর্মেল মোনসুন ওইরবা য়াই'

***ন্যু দিল্লি, মে ৩০ ঃ***

হৌখিবা চহীদগী হেন্না ইন্দিয়াদা হেন্না ফবা মোনসুন অমা ফংলবা য়াই। লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা জুনদগী সেপ্টেম্বর ফাওবা চাদা ৯৬ তগী ১০৪ ফাওবগী চাংচত্তা নোং চুরবা য়াই হায়না ঙসি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি য়ূমশংকৈশা নুমিত্তা মেটিওরোলোজি টিপার্টমেন্টনা লানবা য়াবগী চাং ককথদুনা নোং–চিংগী মতাংদা পীবা মখোয়গী প্রিদিক্সন অদু নৌহৌনা শেমদোকখি। লৈবাক অসিদা লোং পেরিওদ এভরেজ (এল পি এ) দা চাদা ৯৭ নোং চুরবা য়াই। মসিদা লানবা য়াবসি প্লস–মাইনসতা চাদা ৪ নি হায়না দিপার্টমেন্ট দিরেক্তর জেনরেল কে জে রামেসনা



এজেন্সিদা হায়খি।

লমদম লমদমগী ওইনা য়েংবদা অৱাং নোংচুপ থংবা ইন্দিয়াদা এল পি এ গী চাদা ১০০, ময়াই থংবা ইন্দিয়ানা এল পি এ গী চাদা ৯৯, খা থংবা পেনিন্সুলাদা চাদা ৯৫ অদুগা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা চাদা ৯৩ নোং চুরবা য়াই। মসিদা লানবা য়াবসি চাদা ৮ খকনি।

লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা চাদা ১০০ রোম নোং চুদুনা জুলাই থা অসি নোং হেন্না চুবা থা ওইরবা য়াই। অদুগা আগষ্ট থাদা চাদা ৯৪ নোং চুরবা য়াই হায়না নোং–চিংগী ফিভম য়েংলিবা ওফিস অসিনা হায়খি।

নোং চুবগী চাং চাদা ৯৬ তগী ১০৪ ফাওবগী মনুংদা লৈববু নোর্মেল মোনসুন হায়না লৌনৈ অদুগা চাদা ১০৪ দগী ১১০ ফাওবগী মরক্তা লৈববু নোর্মেলগী মথক্তা লৈবনি হায়না খঙনৈ।

১৯৫১ দগী ২০০০ ফাওবগী মরক্তা ইন্দিয়াগী নোং চুবগী চাং অসি ৮৯ সিএম ওইখি। ২০১৭ তা অৱাং নোংচুপ ইন্দিয়াদা চাদা ৯৫, ময়ায় থংবা ইন্দিয়াদা চাদা ১০৬, কা থংবা পেনিন্সুলাদা চাদা ৯২ অমসুং অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা চাদা ৮৯ নোং চুদুনা লৈবাকসিগী অপূনবা ওইনা চাদা ৯৭ নোং চুখি হায়রি।

## মেঘালয়াদা টুরিষ্টশিং কনখিবা মীওইদুগী হকচাং বাংলাদেশতা ফংখ্রে

***জোৱাই, মে ৩০ ঃ***

মেঘালয়াদা লম কোয়বা লাকপা নাগা টুরিষ্টশিংবু খুদোংথিবা নংদুনা শিরমগদবদগী কনখিবা অমসুং তুরেলগী ঈশিংদা ঈরাক্নখিবা মীওই অদুগী হকচাং অদু লৈবাকসিগী ৱাংমা বাংলাদেশতা ফংখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা মেঘালয়া পুলিসনা ফোঙদোকপদা হিহোনবা নুপা অদুগী হকচাং অদু ঙরাং অয়ূক ফংখিবনি। মহাক্কী মমিং স্পেনলিয়স এল গাদেয়ু কৌই। মেঘালয়াগী স্নোংপদেং খুলদগীনি হায়খি।

বাংলাদেশকী সিলেট দিষ্ট্রিক্তা চেল্লিবা পিয়াইন তুরেলদা হকচাং অদু তাওদুনা লৈরম্বদগী বাংলাদেশকী খুঞ্জা খূৎপু অমনা থেংনরকখিনি। হৌজিক হকচাং অদু বাংলাদেশ বোর্দর গার্দশিংনা ইন্দিয়াগী বি এস এফ অমসুং পুলিসতা খূৎশিন্নরকখ্রে।

ইখঙ খঙহৌদনা মেঘালয়াগী লমদম অদুদা ঈশিং ঈচাও অমা থোরকপদগী নাগা লম কোয়বা মরি তোংলিবা গেদিয়ুগী হি অদু ঈশিংদা লাকশিনবদগী মহাক শিখিবনি। লম কোয়বা মরিমক অদুবু লোয়নমক শিগদবদগী কল্লম্লবা মতূংদা মহাক তুরেল অদুগী ঈশিংদা ইরাক্নখিবনি হায়রি।

## চিদম্বরমগী মথক্তা জুন ৫ ফাওবা অকনবা থবক লৌখৎতনবা কোর্টনা খঙহনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ৩০ ঃ***

হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা মহাক্কী মচানুপা কার্তি চিদম্বরম্না এক্যুজ অমা ওইরিবা এয়ারসেল–মেক্সিস মনি–লোন্দরিং কেসতা ফাগদবদগী ঙাকথোপীনবা দিল্লি কোর্ট অমদা ঙসি ৱাকৎখ্রে।

মথং জুন ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা হিয়ারিংগী মতম অদু ফাওবদা চিদম্বরমগী মথক্তা অকনবা থবক অমত্তা লৌখৎপা য়ারোই হায়না কোর্ট অদুনা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটতা খঙহনখি। অদুবু সেনিয়ার কংগ্রেস লীদর অদুনা মীয়ামগীদমক কোর্টতা মশা লাক্কদবনি হায়খি।

কোর্ট অদুদা মিষ্টর চিদম্বরমগী মহুৎ শীন্না হান্না মিনিষ্টর অমসু ওইরম্বা অতোপ্পা সেনিয়ার কংগ্রেস লীদর কপিল সিবালনা লেপখি।

কংগ্রেসনা লুচিংবা সেন্টর গভর্ণমেন্টতা চিদম্বরম্না ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা এয়ারসেল–মেক্সিস দিল অদুবু ২০০৬ তা ফোরেন ইনভেসমেন্ট ক্লিয়ারেন্স পিথোকখিবগী মতাং অদু এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটতা ইনভেষ্টিগেসন চখরি। চিদম্বরমগী মচানুপা কার্তি চিদম্বরম্বু চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা সি বি আই না ফাখি।

সি বি আইনা থাগৎলকপা চার্জ–সিট অদুগী মতূং ইন্না মেক্সিসকী মশা অমা ওইরিবা মাওরিটিয়েসতা লৈবা গ্লেবেল কম্যুনিকেসন সার্ভিসেস হোলদিংসনা এয়ারসেলদা দোলর মিলিয়ন ৮০০০ গী শেনফম থাদনবগীদমক অয়াবা পীবিনবা হায়জরকখি হায়রি।

দিল তৌনবা য়ারে হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টরনা লুচিংবা কেভিনেট পেনেল অমনা তৌগদবনি। অদুবু মতম অদুদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অদুনা মদুগী অয়াবা অদু পীথোকখি হায়না সি বি আই না হায়খি।

ফোরেন ইনভেসমেন্ট প্রমোসন বোর্দনা অয়াবা পীরবা তুংদা চিদম্বরমগা মরী লৈনবা এয়ারসেল টেলিভেঞ্চরস লিমিটেদনা লুপা লাক্ষ ২৫ সু পীখি হায়রি।

## পাকিষ্টান্দা সিখ লুচিংবা ১ কাপ্পুনা হাৎখ্রে

***অমৃতসর, মে ৩০ ঃ***

পাকিষ্টানগী খাইবর পাখ্টুনখ্বা প্রোভিন্সকী পেসাৱার সিটিদা ঙরাং শক্নাইরবা সিখ লাইনীং লুচিংবা চরঞ্জিৎ সিংহ সাগর কৌবা অমা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

পেসাৱারদা লৈবা খালসা পিস এন্দ জষ্টিস ফাউন্দেসন ওফ পাকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট রাদেস সিংহ টোনিনা ফোঙদোকপদা চরঞ্জিৎ সিংহবু বুধবির এরিয়াদা লৈবা মাগী গ্রোসরি দুকান্দা ফম্লিঙৈদা শকখঙদবা নোংমৈ পায়বশিংনা কাপ্পুনা হাৎলম্বনি হায়খি।

নুংঙাই য়াইফবা সিখ ইমুং মনুংশিংগী মীওই ওইবা হায়বসি ইতৎ–তৎতনা ফন্দামেন্টলিষ্ট গ্রুপশিংগী এটেক তৌফম ওই হায়না মহাক্না হায়খি। মহাকপু অতম্না পান্দম থমদুনা হাৎখিবা অসিদগী মহাক্কী কম্যুনিটি অসিদা অকিবা পোক্লখ্রে। হান্না ক্রিকেটর ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ান ওল্লকখিবা ইম্রান খান্না লুচিংবা পাকিষ্টান টেহরীক–ই–ইনসাফ (পি টি আই) পার্টিগী এসেমব্লিগী টর্ম লোয়শিল্লকখিবদা গুরদ্বারা ভাই জোগা সিংহগী মেম্বর অমা ওইরম্বা চরঞ্জিৎ সিংহবু হাৎখিবনি।

জুলাই ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা পাকিষ্টানগী ইলেক্সনগী মমাঙ মে ৩১ দা কে পি কে গী ক্যারটেকর চীফ মিনিষ্টরনা থবক পায়বা হৌগদবনি। হৌজিক ওইরিবা পি টি আই গভর্ণমেন্ট মে ২৮ গী অহিং নোংয়াইদা মতম লোয়রে। চরঞ্জিৎ সিংহ অসি পেসাৱারদা মহাক্কী কম্যুনিটিগী মচিন চৎপা মীওই অমা ওইবা খত্তা নত্তনা জথা ওফ পঞ্চা পয়ারা (ফাইভ বিলভ ৱান্স) কী মেম্বর অমসু ওইরম্মী অমসুং লাইনীংগী থৌরম কয়ামরুমদা পেসাৱারগী লম্বীশিংদা নগর কির্টন লুচিংলম্মী।

২০১৬ তা কে পি কে প্রোভিন্সকী মিনিষ্টর ওফ মাইনোরিটিস ওইরম্বা পাকিষ্টান সিখ ডাক্তর হাৎখিবা অদুগী মতূংদগী সিখ অমা পান্দম থমদুনা হাৎপসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

পাকিষ্টানগী টালিবাননা মহাকপু হাৎপনি হয়না ফোঙদোরকখ্রে।

২০১৩–১৪ দা সিখ ১০ হাৎখি। চহী অসিগী ওইনা ঙসিনা অহানবা তার্গেট কিল্লিংনি। হৌখিবা মতমদা প্রোভিন্স অসিগী হিন্দু অমসুং সিখকী ইমুং কয়ামরুম কিবদগী ইন্দিয়াদা ময়ূম হোংখ্রে। পাকিষ্টানগী ইরাং লৈবা অতৈ ঙমখৈগী লমদমশিংদগীসু হিন্দু অমসুং সিখশিং ইন্দিয়াদা ময়ূম হোংনরক্লি হায়রি।

# চহী ৭০ গী পিসকিপিংদা ইন্দিয়ানা পার্সোনেল মশীং খ্বাইদগী য়াম্না মাঙজখি ঃ য়ু এন

***য়ুনাইটেদ নেসন্স, মে ৩০ ঃ***

হৌখিবা চহী ৭০ দা তোঙান তোঙানবা য়ু এন পিসকিপিং ওপরেসনশিংদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী পিসকিপর মশীং খ্বাইদগী য়াম্না মাঙজখি। লৈবাক অসিদগী মিলিটরি, পুলিস অমসুং সিবিলিয়ান পার্সোনেল ১৬৩ না মথৌ তৌবদা মখোয়গী পুন্সি কখোকখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মতূং ইন্না ১৯৪৮ গী মতূংদগী শিখিবা পিসকিপর ৩,৭৩৭ কী মনুংদা ইন্দিয়াদগী ১৬৩ য়াওখি। মসি য়ু এন পিসকিপিং ফোর্সতা য়াওবা লৈবাক অমগী ট্রুপশিং শিবদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওইরি।

ইন্দিয়ানা হৌজিক হৌজিক য়ু এন পিসকিপিংদা মিলিটরি অমসুং পুলিস পার্সোনেল পীবদা খ্বাইদগী মশীং চাওবা অহুমশুবা ওইরি। ৱেষ্টর্ন সাহারা, সাউথ সুদান, মিদ্দল ইষ্ট, লেবানন, হাইটি, কোঙ্গো, সাইপ্রস অমসুং অবেয়েদা ইন্দিয়াগী পার্সোনেল ৬,৬৯৩ হৌজিক শীজিন্নরি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ঙরাং ইন্টর্নেস্নেল দে ওফ য়ুনাইটেদ নেসন্স পিসকিপরস থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদু পাঙথোক্তুনা পৃথিবীগী অকোয়বদা লৈরিবা পিসকিপরশিংগী থবক অমসুং কখোকপদা ইকায়খূম্নবা উৎখি। হৌজিক হৌজিক ট্রুপ অমসুং পুলিস পীরিবা লৈবাক ১২৪ দগী য়ুনিফোর্ম পার্সোনেল ৯,৬০০০ হেন্না ইন্টর্নেস্নেল অমসুং নেস্নেল সিবিলিয়ান ষ্টাফ ১৫,০০০ হেনবা অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্স ভলন্টিয়ার্স ১,৬০০ লোমগা লোয়ননা হিগোক মচুগী ফিরালগী মখাদা থবক তৌরি।

চৎলিবা চহী অসি য়ুনাইটেদ নেসন্স পিসকিপিং ফোর্স লীখৎখিবগী চহী ৭০ শুবনি। মশীং থিঙমদ্রবা পুন্সি কন্দুনা য়ু এন ফিরাল মখাদা থবক তৌরিবা নুপা অমসুং নুপী মিলিয়ন অমা হেনবগী ৱাফমদা ঐখোয়না ঐখোয়গী নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। অরোইবা মমল পীখ্রবা ব্লু হেলমেট ৩,৭০০ হেনববু ঐখোয়না ইকায়খূম্নজরি হায়না থৌরম অদু পাঙথোক্লবা য়ু এন সেক্রেটরী জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসনা মালিদা হায়খি।

মালিদগী হল্লক্লগা সেক্রেটরী জেনরেলনা জুন ১ দা য়ু এন পিসকিপিং ফোর্স লীখৎখিবা নুমিৎ অদু পাঙথোকপগী থৌরমদা প্রিসাইদ তৌগনি।



## য়েৎনরিবা ঈশিংগী লমদা লান্মীশিংদা অকায়বা তৌরক্লবদি লানগীদমক থৌরাং তৌরি ঃ ফিলিপ্পিন্স

***মনিলা, মে ৩০ ঃ***

য়েৎনদুনা লৈরিবা ঈশিং লমদমশিংদা করিগুম্বা মিলিটরি পার্সোনেলশিংগী মথক্তা অকায়বা থবক চখদুনা মীশি–মীনা থোরকপা তারবদি ফিলিপ্পিন্সনা লান চখনবগীদমক থৌরাং তৌরি হায়না ঙসি মথক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা হায়খ্রে। ৱাফম অসি গভর্ণমেন্টনা চিনাদা য়েংবা মীৎয়েং শোল্লি অমসুং সাউথ চিনা সি বু মিলিটরাইজ তৌবা য়াহল্লি হায়না মরাল শীরকখিবগী পাউখুম ওইনা ফোঙদোকখিবনি।

থবক ইনখাং কল্লবা ঈশিং লম্বীদা, মদুসু মনিলাগী এক্সক্লুসিপ ইকোনোমিক জোন মনুংদা লৈবা মফমশিংদা ফাওবা চিনানা মখোয়গী আর্টিফিসিয়েল আইলেন্দশিংদা মিসাইল সিষ্টেমশিং খিনজিল্লে হায়বা পাউশিংগী মতাংদা বৈজিংগী মায়োক্তা লৈতবগীদমক হন্দক চয়োল খরদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দুটরতেবু চৈনরকখিবনি। মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা দিপ্লোমেটিক ওইবা প্রোটেষ্ট ফাওবা থাঙ্গৎতে হায়দুনা মহাক্কী মায়োক্তা লৈবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা শাওনখি। অদুবু দুটরতেদি মাগী মমাঙদা লৈরম্বা প্রসিদেন্টশিংগা মান্নদনা বৈজিংগা অফবা মরী লৈনৈ অমসুং য়াম্না হেন্না মপাঙ্গল কল্লবা চিনাগা লান শোক্লবা হায়বসি মহাক ঙম্লোই হায়না তোয়না পল্লদুনা বৈজিংদগী ইনভেষ্টমেন্ট পাম্লি।

ফিলিপ্পিন্সনা মতম পূম্নমক্তা ৱারী শান্নদুনা উংখৎনবশিং লোয়শিন্নবা হোৎনগনি। অদুবু লৈবাকসিগী মিলিটরিদা কায়হৌরক্লবা নৎত্রগা অৱাবা তাহল্লক্লবদি অরোয়বা উপাই অমা ওইনা লানগী খোঙথাং লৌখৎলোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর হেমোজেনিস ইস্পরোননা হায়খি।

চিনানা মখোয়গী লমনি হায়না অয়াম্বা শরুক তাল্লিবা সাউথ চিনা সি ফাওদুনা চহী খুদিংগী লৈবাক কয়ানা দোলর ট্রিলিয়ন অহুম্লোমগী পোৎ–চৈ পুদুনা ললোন–ঈতিক তৌরি।

## রসিয়ান ফোরেন মিনিষ্টর নোর্থ কোরিয়াদা চৎকদৌরি

***মোস্কো, মে ৩০ ঃ***

রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সেরগৈ লাভরোবনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম খন্ননবা অমসুং লৈবাক অনীগী মরক্তা তেংবাংনবগী মতাংদা খন্ননবা হয়েং শগোলশেন নুমিত্তা লৈবাক অদুদা চৎকনি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খ্রে।

ঙসি থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা রসিয়ান ফোরেন মিনিষ্টর সেরগৈ লাভরোবকী দেমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়াদা চৎপা ওফিসিয়েল খোঙচৎ অদু মে ৩১ দা পাঙথোক্কনি হায়খি।

লাভরোব অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মহাক্কা ফম মান্নবা অদুগনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনবা মরী নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম অমসুং অতৈ ইন্টর্নেস্নেলগী মরু ওইবা প্রোব্লেমশিং খন্নগনি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

হৌখিবা থাদা নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর রি য়োং হো না মোস্কোদা লাভরোবকা উন্নদুনা তাঙলবা ৱারীশিং শান্নখি। মদু পিওংয়াংনা গ্লেবেল পৱারশিংগা ফৎনদ্রিবা মরীশিং ফগৎহন্নবা হোৎনরকপগা মরী লৈননি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়ান লীদর কিম জোং উন অনীগী মরক্তা পাঙথোক্কদবা অরুবা অমসুং অঙকপা অমা ওইগদৌরিবা সম্মিট অমগী থৌরাংশিং তৌনরকপা চৈরক্তা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা নোর্থ কোরিয়াদা চৎকদৌরিবনি।

## মালেসিয়ানা সিঙ্গাপোর মনাক্তা ঈথৎ অমা শেমগৎপা পাম্লি

***কুৱালালাম্পুর, মে ৩০ ঃ***

মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মহাথির মহমদনা মখোয়গী য়ূম্লোন্নবা লৈবাক সিঙ্গাপোরবু শাওহনগদবা খোঙথাং অমদা লৈবাক অসিগা হান্না য়েৎনখিবা রোক পরিং অমগী মথক্তা ঈথৎ অমা শেমগৎপা পাম্মী হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

হায়রিবা মফম অসি লৈবাক অনীগী মরক্তা মতম শাংনদগী মুক্নবগী মরম অমা ওইদুনা লৈরকখিবনি। মখোয়না মখোয়গী টেরিতোরিয়েলগী য়েৎনবা অসি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মকোক থোংবা কোর্টতা পুখৎখ্রবনি। ২০০৮ দা ইন্টর্নেস্নেল কোর্ট ওফ জষ্টিসনা মিদ্দল রোক্স কৌবা রোক ক্লষ্টর অনীবু মালেসিয়াদা পীখি। অদুগা অনকপা ঈথৎ অমবু সিঙ্গাপোরগী টেরিতোরিনি হায়খি।

ইন্টর্নেস্নেল কোর্টকী রুলিং অসি মালেসিয়ানা হৌখিবা চহীদা শীংনখি। অদুবু সিঙ্গাপোরগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মদু অমুক হন্দোকখ্রে হায়খি। অদুম ওইনমক মতম অসিমক্তদা মালেসিয়া প্রাইম মিনিষ্টর মহাথিনা মরু ওইরবা সিঙ্গাপোর ষ্ট্রেটকী নোংপোক থংবা চঙফমদা মিদ্দল রোকশিংদা ঈথৎ অমা শেমগৎপা মালেসিয়ানা পাম্মী হায়না লাওথোকখি। কিলোমিটর ১০০ শাংবা ষ্ট্রেট অসি সিটি–ষ্টেট অসিগী হিথাংফম য়ৌনা চৎনবা জহাজশিংনা শীজিন্নবা পৃথিবীগী খ্বাইদগী থবক চিনবা ললোন–ঈতিক্কী ঈশিং লম্বীনি হায়রি।

RST Resonant Tutorials Imparting light to Medical aspirants
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET(UG)-2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Special features:
- Free studentship for meritorious and position holders of Class X & XII.
- Separate section for purely english medium.
- Special fee concession for high scorer in NEET Exam-2018 but not get seat for Medical Course (MBBS/BDS).
- NCERT based study materials from MTG-Book Publication.
- Motivation & Interaction Programme with renowned Doctors.
- Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.

## GAS TODAY

**Canchi Indane Service**
Booking : 30/04/18
Valid : 27/04/18
Stk : 306/19kg 50
Rate : Rs. 761.50
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 31/05/18
Valid : 30/05/18
Stk : 306 (CTC)
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 21/04/18
Valid : 14/04/18
Stk : 612
Sl. No. 5791
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**GBD Gas, Lamlong**
Booking : 13/04/18
Valid : 04/04/18
Stk : 612 (CTC)
Time : 06.30 to 10.00 a.m

**M M Gas**
Booking : 25/04/18
Valid : 20/04/18
Stk : 612
Rate : Rs. 761.50
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Lambodara Indane Service**
Booking : 17/05/18
Valid : 07/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

সনা–সুদোকু –১১৮২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 7 | 1 | 2 | 3 | 6 | 4 | 9 | 8 |
| 9 | 2 | 3 | 4 | 8 | 1 | 7 | 5 | 6 |
| 4 | 8 | 6 | 5 | 7 | 9 | 1 | 2 | 3 |
| 6 | 4 | 8 | 3 | 1 | 2 | 9 | 7 | 5 |
| 1 | 3 | 7 | 8 | 9 | 5 | 2 | 6 | 4 |
| 2 | 5 | 9 | 7 | 6 | 4 | 8 | 3 | 1 |
| 8 | 1 | 2 | 6 | 5 | 7 | 3 | 4 | 9 |
| 3 | 6 | 4 | 9 | 2 | 8 | 5 | 1 | 7 |
| 7 | 9 | 5 | 1 | 4 | 3 | 6 | 8 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1183**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 8 | | 4 |
| | | 1 | | | | | | |
| | 5 | 3 | 1 | 2 | | | | |
| | | | | 9 | 6 | | | |
| 7 | | | | 1 | | 6 | | |
| 1 | | | | 5 | 3 | | | |
| | | 2 | | 7 | | | 8 | 6 |
| 6 | 1 | | | | | | 5 | 3 |
| 4 | | | 6 | 8 | | | | |